## এডিটোরিয়েল

# মীয়াম্না ৱাখল তাদ্রগদি ঈচাউ অদুম থোক্কনি

ইন্দিয়াগী মপুং ফারবা ষ্টেট কয়া অমদা প্লাষ্টিক্কী পোত্থোকশিং শীজিন্নবগী অথিংবা লৈখ্রে। নন–বাইওগ্রেদেবল প্রদক্টশিং অসি শীজিন্নবনা মরম ওইরগা লৈবাক লৈহাওদা শোকহনবগী ৱাফম কয়া অমসু বাইও–টেক্নোলোজিষ্টশিংনা ঙসিদগী চহী কয়াগী মমাঙদা ফোঙদোকপা লৈখি। অদুবু মণিপুরগুম্বা লমদম অসিদদি মপান লৈবাকশিংদা শীজিন্নবা থিংখ্রবা পোৎলমশিং অসি ঙসি ফাওবা অথিংবা অমত্তা লৈতনা শীজিন্নরি। মসি মণিপুর লৈঙাক্কী অশোয়বা অমনি হায়না লৌবা তারবসু খ্বাইদগী মপুং ওইনা লাল্লিবদি পোল্লুসন কন্ত্রোল বোর্ড হায়না সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা থল্লিবা মণিপুরদা লৈবা বোর্ড অসিগী অশোয়বনি হায়না লৌবা তাবনি। হৌজিক মণিপুরদা মপান লমদগী লাকপা পোৎলম কয়াদা বাইও–দিগ্রেদেবল ওইবা পোৎলম কয়া অমনা য়োন্নগা থাজিল্লক্লি। মসি অচুম্বা হিরম অমদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট থিংখ্রবা পোৎলম অমা শীজিন্নদনবনি হায়বসি মীয়াম্না খঙই। অদুবু মণিপুরদা লৈরিবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা পোৎলমশিং অদু শীজিন্নবা থিংনবা চপ চাবা থৌরাং লৌখত্তবদগী ঙসিদি মণিপুরদা চাউনা লৈবাক–লৈহাওদা অমাঙ– অতা কয়া থোকহল্লে। মসিখক্তা নত্তনা প্লাষ্টিক্কী পোৎলম শীজিন্নরিবশিং অসিদা মীয়াম্না য়াম্না থোইনা খল্লুদবদগা অমদি মফম চাদনা হুন্দোকপদগী থোকপা অচৌবা থৌদোক অমনা মণিপুরগী ইরম– খোঙলম পূম্নমক অসিদা অথিংবা কয়া অমা লৈদুনা খুৎশেমগী ঈচাউ কয়া থোকহল্লিবা অসি হায়রিবা পোৎলমশিং অসিননি হায়বসি ঙসিদি খঙবা ঙম্লে হায়না লৌরসি। মসিগী চপ চাবা খুদম অমা হায়বা তারগদি নম্বুল তুরেলগী মশাদা চেন্থরকপা ঈচেলনা পুরকপা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিংনা মরম ওইরগা ঈচেল অসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা লোক্তাক পাৎতা তাগদৌরিবা ঈচেলগী শরুকশিং অসি থিঙ্গৎতুনা লৈবা অমদি মদুদগী নমখায়দুনা লাকপা পোৎলমশিংনা লোক্তাক পাৎতা তাশিল্লগা পাৎ অসিগী মহৌশাগী ফিভমদা কায়হল্লকপা কয়া অমা ঙসি থেংনরিবা অসিনি। ইশম–শম্না হায়রগা ঙসিসু ইম্ফাল মনুংদা ইরম–খোঙলমশিংদা ফুনগৎলিবা অমদি মদুনা মরম ওইরগা নোংমখক নোং মরাং কায়না চুবদা ইম্ফাল সহর ময়োলদা ঈচাউ থোক্লিবসিগী অচৌবা মরম অসি মথোং খঙদনা হুন্দোকপা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং অসিননি হায়বসি ঙসিগী লৈঙাক অসিনদি খঙফম থোকই। হৌজিক্তি অথিংবা লৈরে হায়বা ৱাফমখক লৈঙাক্লা ফোঙদোকপদু নত্তবদা লৈঙাক্লা মীয়ামগীদমক্তা পীখিবা চেকশিন থৌরাংশিং অদু থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনবগী মথৌ তারে। মসিনা তাকপদি লৈঙাক্লা পুথোকপা থৌশিলদা মীয়াম্না শরুক য়াদ্রগদি লৈঙাক্কী থৌশিল অমত্তা মায় পাক্লোই হায়বা ৱাফম অসিনি। মীয়াম্না থৌশাদবদগী থোকপা খুৎশেমগী ঈচাউ কয়া অসিগী মরাল লৈঙাক্তা থঙজিনবদি য়াবা ঙম্লোই হায়বা তাবনি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# ৱাইশেল–মরিলগী অরোন্বদা এম এল এ গী দষা!

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

*ৱাইশেল মরীল কৈশামথোং কেন্দ্রদগী হৌরকপনি, পম্বুংফম্না লোক্তাক পাৎনি। ৱাইশেল মরীলসিগীদমক মথা শাখীদবা এম এল এ অমত্তা য়াওখিদ্রি হায়বদা লানগদবা নত্তে। মরম হায়ববু চহি খুদিং মরীল অসিনা, ইম্ফাল সহরগী অমদি থংনবা খুঙ্গংশিংদা পিরিবা ইম্পোক্ত অসিদা হাইফম খংদবা অৱাবা ঙাক্তনি। খঙনা খঙনা অদুম্মক চহি খুদিংগী নৎত্রগা চহী অমদা কয়ারক ৱাইশেন মরীল অসিনা প্রজাবু ওৎলিবসি মরী লৈনবা এম এল এ অমদি মহাক্কী কন্সর্ন কলিগশিংনা খঙলবসু করন্না সোল্ব তৌগনি হায়বসিমক ঙসিসু লৈখায় তাদ্রি হায়বসি, ঙসি ঙরাংগী নোংমত্তং অকন্বা নোংহৌ অমদা কৈশামথোংগী প্রজাশিংনা অসুক ৱারিবসি কোকহন্নবা এম এল এ মশাম্মক য়াওনা অঙম্বা শক্তি শীজিন্নরবসু ঙমদ্রিবসিনা খুদম চাংদম ওইহন্বদা অদুম্মক চুমগদালৈরি। অপিকপা ৱাফমদা মীরাইদনা, প্রজাগীদমক অঙম্বা সেবা তৌগে খল্লবদি ৱাইসেন মরীলগী ৱাফমসিদি অচৌবা প্রোজেক্তা ওন্থোকপা নত্তনা অতোপ্পা পাম্বৈ লৈগদবা মান্দে।*

*কৈশামথোংগী এম এল এ ওইরিবনিনা কৈশামমথোংগী পুৱারীসু হেন্না খংলমগনি হায়বসি চেৎনা থাজরি, ৱাইশেল মরিলগী পুৱারীসু হেন্না কুপ্না নৈনরম্লনি অদুবু ৱাইশেল মরীলদি ঙসিসু মহৌশাগুম মণিং – তম্লি, করিসু নাচুংদনা কৈশামথোং অমদি মরীল অসিগী মপাল তংবশিংদা অদুম্মক ওৎ–নৈরি। ৱাইশেল– মরীলসিবু লাকশিন্বা ঙমদ্রবা আই এম গুম্বরা নৎত্রগা এম এল এ শিংগী অরোন্বা লনগী লম্বী অমরা? হায়ফম থোকপগী হায়রসু ৱাইশেল মরীলনা মাইষ্টরিয়স ফেক্তরগুম নৎত্রগা য়ু এফ ওগুম শোল্ব তৌনবা লম্বী ঙসি ফাওবা লৈতনা লৈরিবসি কৈশামথোংগী প্রজাগী লাইবক অদুমক ওইহনখিসিরা?*

*হৌজিক্তি সাইন্সকী খম থেংনা চাওখৎলবা য়ুগ অসিদা "নথিং ইজ ইম্পোসিবল" হায়দুনা চেলেঞ্জগা লোয়ননা পুন্নমক মায়োক্লবা হোৎনরক্লি। মায়সু পাক্লক্লি হায়বসি পুন্নমক্না তপ্না তপ্না য়ানরক্লি। অদুনা ৱাইশেল মরীলগী হায়ফম খংদবা থৌওং অসিগী য়াম্না লায়বা প্রেৱ্লেম সোল্ব তৌনবা লম্বীদি হান্নবা লৈরগুম্বনি। এম এল এ না থিজিন হুমজিন্বদা মতেং পাংননবগী ময়া কাথোক্তুনা ঙাইরি হায়বদুনি। অদুবু হংদনা, থিজিন্দনা হায়রকপা নৎত্রগা সজেসন পিরকপা ঙাইবনদি হেন্না মতম চংখিনি, অতোপ্পা এম এল এ অমা ঙাইবা ওইনা থোক্কনি।*

*করিসু লৈতবা ৱাইশেল মরীলনা পোত্থাফম খঙদবা প্রেৱ্লেম ওইরবদি করন্না মণিপুর পুম্বগী সেবা তৌবা ঙমগনি খন্দুনা পুন্নমক লায়থোক্লা, পুকচেল শেংনা মীয়ামগী সেবা তৌবীয়ু। মতমনা, তঙাইফদনা ৱাইশেল – মরীলগী ফিভম সোল্ব তৌবা ঙম্বা ওইহনসি।*

*অরোইবদা খংহন্নীংবদি – ৱাইশেল মরীল কৈশামথোংদগী হৌরকপনি, কৈশামথোংবু মায় খুহনগুমসি।*

**অদোমগী
বিসি খুমন
ইম্ফাল**

# মহুপুবা নত্রগা মহুপুদবা জিবশিংনা চিকপা অমসুং চেকশিন থৌরাংশিং

মীওইবা ঐখোয়গা লৈমীন হিংমীন্নরিবা জিব–পানবা শা–ঙা অমসুং তিন–কাং কয়াগী মখল, মশিঙ লাকঙমদে। য়ামখ্রে মখোয়শিং অসিগী মনুংদা কয়া অমদি মশাদা হু চেন্দুনা, মখোয়গী ময়ানা নৎত্রগা মমু (Sting)না থিন্দুনা অতোপ্পদা চিকপদা (মীওইবা য়াওনা) শিহনবা ঙম্বগী শক্তি লৈনরি। অদুগা কয়া অমনা মশাদা মখল মখা লায়নাগী মহিক চেন্নদুনা, মখোয়না চিকপদা নৎত্রগা শোকপদা তমথীবদগী তমথীরবা লায়না মখল কয়া পোকহনবা অমসুং শন্দেকপা ঙম্মী। হায়রিবশিং অসিগী ইশম–শম্বা লোইননা ইখঙসু–খঙনরবা মওং খরা খুদম ওইনা মখাগীশিং অসি পনবা য়াই–

. মহু কনবা (হু চেনবা) লিননা চিকপদা, মতম চানা অমসুং নিয়ম চুন্না লায়েংহৌদ্রবদি মী ফাওবা শি,

. মেলেরিয়াগী মহিক পুবা কাঙনা চিকপদা লায়না অসিনা নাহল্লকই,

. মখল মখা লায়নাগী মহিক চেনবা হয়িংনা, মরু ওইনা চানবা চিঙ্গাক্তা তোংলমদুনা শোক্লম্বতদা লায়নাশিংদু শন্দোকপা ঙম্মী (চিঙ্গাক্তু চারুবশিংদা)।

মথক্কীশিং অসি নত্তবদা, অমরোমদা অমুক মহুনচিংবা অমত্তা চেন্দবা অদুবু ঐখোয় অয়াম্বনদি খঙনদবদগী পংহায় হায়নবদা থাজনবদগী পংকীদা কীনবা অমসুং হঙ্গোইনবা জিব মখল কয়া অমসু লৈরি। খুদম ওইনা হংক্রোক–নুমিৎয়ুংবী। কনাগুম্বনদি মসিনসু চিক্লবদি ইমা কৌবা নংদে হায়নফাও হায়নবা য়াওরি। অদুগা ৱাফমদুদা থাজনবনসু কোঙ্গাইনি। অদুবু শেংবদদি জিব মখল অসিদি করিগুম্বা মখলগী মহু চেন্দবনি। অশুম্ন মহু চেনবা চেন্দবা লৈরিবা জিব পানবা শা–ঙা, তিন–কাংশিংগী মরক্তগী, ঐখোয় মীওইবগী নুংতিগী ওইবা পুন্সিদা ইথেংদা–থেংনদুনা লৈরিবা অমসুং লৈরগদবা খরনা ঐখোয়দা চিক্লকপা মতমদা ওইরকবা য়াবশিং অমসুং তৌফম থোকপশিং অদু মখল খরদংগী ওইনা মখাদা থমজরি–

১. নুমিৎয়ুংবীনা চিকপাঃ–

নুমিৎয়ুংবীবু ঐখোয়না ইংরাজিদা–'Monitor Lizard' হায়রগা খঙনৈ। মসিগী খজিক খজিক তোঙান্নবা মখল তরুক, ভারত্তা উবা ফংই (মণিপুর য়াওনা)। মখোয়না ময়া কাথোক্তুনা লিনগুন্না হা–হা কাম্বা ঙম্মী। মরৈসু তিনগীগুম্মী। মখোঙ মরিগী খুবামশিংনা পোৎশকশিংদা শক্তি লৈনা অমসুং য়াম্না চেৎশিন্না পাইশিনবা ঙম্মী। জিবা মখল অসি অপিকপদগীনা ফুট ২ দগী ৩ ফাওবা শাংনা চাওবা য়াওই। মখোয়গী মশাদা মহু চেন্দে। অদুনা মসিনা চিকখিবা তারবসু চিংননিঙাই করিসু লৈতে। মদুদা মথৌ তারিবা হিদাক হায়ববু চিংনবীদবা অমসুং পাখৎ–থক্কৎপীদবা হায়বসিখক্তনি। চিংনবা অমসুং পাখৎ–থক্কৎপা হায়বসিমক শাথীরবা হু মখল অমনি হায়বসি কাউবীরোইদবনি। থাজবনা লাই ওল্লি হায়বা ৱাহে নিংশিংবীয়ু।

২. বৃশ্চিকনা চিকপাঃ–

ইংরাজিদা Scorpion হায়বা তিন অসিগী মখলশিংদা মহু য়াম্না কল্ল–কল্লবা য়াওরি। মসিনা চিকপদি মমুনা থিন্দুনা চিকই। মরুওইনা চহি ৫ মখাগী অঙাংদা চিক্লবদি য়ামনা খুদোংথীনিঙাই ওই। নিয়ম চুন্না অমসুং পন্থুবীদনা লায়েংথোকপীবগী মথৌ তাই।

মপুঙ মরৈ ফারব মীলই (অহল) শিংদা বৃশ্চিক্না চিক্লবদি, অহানবা থেংখাংদদি থোইনা খুদোংথীনিঙাইদি ওইদে হায়ববু লায়েংথোকপীহৌবগীদি তঙাইফদে। অনীরক শুবা ওইনা চিক্লকপা তারবদি য়াম্না চেকশিনবীগদবনি শিবা ফাওবা য়াই।

বৃশ্চিক্না চিকখিবা মফম অদু খুদক্তা অনাবা কন্না ফাওরক্কনি অদুগা ঙাংশিন্না পোমখৎলক্কনি। অঙাংশিংদদি পাখৎ–থক্কৎপা হুমাং কাংবা, ওনিংবা পোকপা, ওবা অমদি শ্বর হোনবদা ৱাবা তৌরক্কনি। অদুনা বৃশ্চিকনা চিকখ্রবদি য়ারিবমখৈ পন্থুবীদনা মখাগীশিং অসি চৎথবীয়ু–

(ক) অহলশিংদা ঃ–

. এস্পিরিন হিদাক চাবীয়ু, Anti-histamine হায়বা হিদাক্কী গুলিসু চাবীবা য়াই,

. ফংলবদি মমু থিনখিবা জগাদুদা বরফ থম্বীয়ু,

. মহু চাইথোক–শন্দোকখিদনবা বেন্দেজগুম্বনা ক্রক–ক্রক লাকশিন্না পুনশিনবীয়ু।

চিক্লিবা অদু অঙাংদা নৎত্রগা অহলদনা অনীরক শুবা ওইরগদি শ্বর থিংখিবা অমসুং পাখৎ–থক্কৎলকপা য়াই। অদুম তৌরবদি – শ্বর থিংবগীদমক্তদি মচিনবান্দা চিনবান্না কামদুনা অমসুং চিংদুনা শ্বর হোলহনবীয়ু। পাখৎ–থক্কৎপগীদমক্তুনা – (ক) ইংলগদি কম্বল শুপশিনবীয়ু, (গ) জ্ঞান মাংদ্রদি অশাবা ঈশিং নৎত্রগা থকপা য়াবা অতৈ মহি পিথকপীয়ু, (ঘ) করিসু তৌরোই হায়বগী থাজবা পিনবা হোৎনবীয়ু, (ঙ) অনাবা পোক্লগদি মদু ফনবা এস্পিরিন নৎত্রগা অতৈ হিদাক মখলশিং পিজবীয়ু, তৌবতবু তুন্নিংবা পোকহনবা (পংথহনবা) ঙম্বা কোদিনগুম্বা মচাক য়াওবা হিদাকশিংদি শিজিন্নবীরোইদবনি, (চ) জ্ঞান মাংবা তারগদি– জ্ঞান তারক্ত্রিফাওবা মচিন্দা করিগুম্বা অমত্তা ইনবীগনু, ওরকপা তারগদি অওবদু থবোম্বীদা হাজিনখিদনবা মকোক্তু লুকথনা অমসুং নেমথনা চেপথহনবীয়ু, (ছ) শিংলিদা হিদাক কাপ্পা হৈবা মীওই লোইননা সেলাইন সোলুসন ফংলবদি দ্রিপ কাপ্পীয়ু, অদুগা য়ারিবমখৈ পন্থুবীদনা অখঙ–অহৈ দাক্তরশিংগী মতেং লৌবীয়ু। বৃশ্চিকনা চিকখিবগা পুং ২ গী মনুংদা মহু চমহনবা ঙম্বা "Scorpion anti Toxin" হিদাক কাপথোকপীহৌগদবনি। অহল ওইরবশিংদা বৃশ্চিকনা অহানবা থেংখাং ওইনা চিকপগীদমক্তদি য়ুমদা লাইনা ফংবা হিদাক অমা ওইনা তিলহৌ অমা খায়দোক্লগা, মমু থিনখিবা মফমদুদা নোইশিল্লবসু কান্নবা ফংগনি।

৩. হয়িংখোই অমদি খোইবী নিংথৌ (wasp) না চিকপাঃ–

অয়াম্বা মতমদা খুদোংথীনিঙাই কয়া ওইদে হায়বরু খাংঙমদনা নাবা পোক্লল্লি। অদুনা মরম ওইদুনা চিক্লবা মীওইদু পাখৎ–থক্কৎপা পোক্লকপা য়াই। চিকফমশিংদু অনাবা ফাওনা ঙাংনা পোমখৎলক্কনি অদুগা শাগৎলক্কনি। লায়েংদি–

. মমু থিনখিবা জগাদুদা অশাবা পোৎশক্লা কন্না কন্না নমশিন্দুনা হিগা য়ৈবীয়ু,

. হয়িং খোইনা চিকপা ওইরগনা Vinegar (বজারদা লাইনাফংবা য়ুদগী শুংব অশিনবা মহি অমা) তৈশিনবীয়ু,

. অনাবা কোক্লবগীদমক্তঃ এস্পিরিনবা অমদি এন্টিহিষ্টামীন টেবলেট চাবীয়ু,

. পাখৎ–থক্কৎপগী থৌদৌ ওইরক্লগদি Adrenalin হায়বা হিদাক মখল অসি অহলদনা ০.৫ এম. এল. অদুগা অঙাংদনা ০.২৫ এম. এল. গী চাংদা কাপ্পীগদবনি। মসিগীদমক অখঙঅহৈশিংগী মতেং লৌবীগদবনি।

৪. মি (স্পাইদর) না চিকপাঃ

মসিগী মখল অয়াম্বনা চিকপদা অনাবা কন্না ফাওজরগসু খুদোংথীনিঙাইদি ওইদে। অদুবু মখল খর অমনা চিকপদদি অহল অমবুসু য়াম্না শাথিনা মশা নাহনবা ঙম্মী। অঙাংশিংদদি খুদোংথীনিঙাইসু ওই। মিনা চিক্লবদি কন্না অনাবা ফাওহনবগা লোইননা হকচাংগী মশলশিং অনাবা ফাওনা চিংথেক্লকই, পুক্কী মশলশিংসু কনশিল্লকপগা লোইননা অনাবা ফাওরকই, ওনিংবা, ওবা, নিংথম চনবা, হুমাং কাংবা অমদি পাখৎ–থক্কৎপনচিংবসু তৌরকই।

মিনা চিকপগী লায়েংগীদমক্তা ১০% কেলসিয়ম গ্লকোনেট কী ১০ এম এল শিংলিদা য়াম্না তপ্পা মিনিট ১০ মুক চংনা কাপথোকপা অমদি অতৈ হিদাক লাংথক্কী মথৌ তাই। অদুনা, অখঙ অহৈ ডাক্তরশিংগী মতেং লৌবীনবা তঙাইফদনা হোৎনবীগদবনি।

*(কর্টিসি ঃ ভিহাই)*

# ইনফর্মেসন সিক্যুরিটি এৱারনেস সোসিয়েল ইঞ্জিনিয়ারিং

**সোসিয়েল ইঞ্জিনিয়ারিং**

সোসিয়েল ইঞ্জিনিয়ারিং হায়বসি অরানবা থৌওংশিংগী খুত্থাংদা ইনফোর্মেসন ফংনবা চঙশিনবা থবক অমনি। মসিনা সেক্যুরিটিদা অকায়বা অমা থোকহল্লি হায়বসি খঙদনা মীয়ামদগী ইনফোর্মেসন ফংনবা য়াম্না হৈশিংনা থবক অসি পাঙথোকই। মসিনা টেলিফোনদা নৎত্রগা মী মশাদা অমদি ই–মেল খরদা মদুবু ফংলিবা মীশক অদুদা মহাক্কী কম্প্যুটরদা ভাইরস নৎত্রগা মেলিসিয়স প্রোগ্রাম অমা চঙহনগদবা এটেচমেন্ট অমা হাংদোকহন্নবা মিহৌবা পোকহল্লি।

. চেকশিন্দনা ৱারী শানবসি সোসিয়েল ইঞ্জিনিয়ারিংগী মরম অমনি।

. করবার, ওফিস, য়ুম, ইশাগী অমদি মীয়ামগী মরমদা চেকশিন্দনা ৱারী শানবা অমদি ৱারী শানগদবা মীশক নত্তবশিংগা খন্ন–নৈনবা অসিনা কনাগুম্বা অমদা নাকোইননা সেন্সিটিভ ইনফোর্মেসন পী। মসিবু মহাক্লা নহাক্কী কম্প্যুটর, নহাক্কী ওর্গণাইজেসনগী দিটেলশিংনচিংবদা নমদুনা চঙনবগী মরম ওইনা শীজিন্নরকপা য়াই।

**মখোয়না মসিবু কমদৌনা পাঙথোকপগে?**

. সোসিয়েল ইঞ্জিনিয়ার অমনা নহাক্কী ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজী ডিপার্টমেন্ট নৎত্রগা হেল্প দেস্ককী মীশক অমা শারগা টেলিফোন নৎত্রগা ই–মেলদা নঙোন্দা চঙলকপা য়াই অদুগা য়ুজর আই ডি, পাসৱার্ড অমদি সিষ্টেমশিং অমসুং নেটৱার্ক ইনফোর্মেসনগুম্বগী অতৈ অকুপ্পা মরোলশিং হংলকপা য়াই।

. সোসিয়েল ইঞ্জিনিয়ার অমনা নহাকপু নহাক্কী থবক মফম নৎত্রগা ওর্গনাইজেসনগী মপান্দা উন্নরবা য়াই অদুগা নহাক্কী থবক নৎত্রগা কমদৌনা নহাক্কী ওর্গনাইজেসন অদুনা থবকশিং পাঙথোকপগে হায়বগী মরমদা নঙোন্দা হংলকপা য়াই।

. সোসিয়েল ইঞ্জিনিয়ার অমনা ব্যুজিনেসকী দরকার ওইবশিং উৎনবা নহাক্কী ওর্গনাইজেসনদা লাকপা য়াই অদুগা নেটৱার্ক ইনফোর্মেসন নৎত্রগা সেন্সিটিভ ইনফোর্মেসন অমগী মরমদা খঙননবা নেটৱার্ক কন্নেক্টিভিটি লৈহন্নবা হায়রবা য়াই।

. সেসিয়েল ইঞ্জিনিয়ার অমনা নহাক নশামক্কী ইনফোর্মেসন, নহাক্কী স্কুল, ওর্গনাইজেসননচিংবগী মরমদা খঙননবা নহাক্কী আইদেন্টিটি কার্ড হংলবা য়াই।

. সোসিয়েল ইঞ্জিনিয়ারিংগী মরুওইবা গোলশিংদি নমথাক তৌবা, নেটৱার্কতা চঙশিনবা, আইদেন্টিটি হুরানবা নৎত্রগা সিষ্টেম অমদি নেটৱার্কতা য়ৈখাই–থিনগাইবা থোকহন্নবা সিষ্টেমশিং নৎত্রগা ইনফর্মেসনদা অনওথোরাইজ এক্সেস তৌনা হেক্কিং তৌবগা চপ মান্নে।

. সোসিয়েল ইঞ্জিনিয়ারিং অসি লম্বী কয়াদা হায়বদি মীয়াম তিনবা মফমশিং, ৱারেম ঙাংবা, ওনলাইন, ইশাগী নাকলনচিংবদা পাঙথোকপা ঙম্মী।

**হ্বালিং**

. কনাগুম্বা অমগী অকুপ্পা মরোল খোমজিনবা সোসিয়েল ইঞ্জিনিয়ারিং অসি হ্বালিংনি। মসি করবারদা অৱাংবা থাক্তা লৈবা অখন্নবা একজিক্যুটিভশিংদা নৎত্রগা কোর্পোরেটকী অপ্পর মেনেজমেন্টতা টার্গেট তৌবা এটেক অমনি। অসিগুম্বা মখলগী এটেক অসিদা সোসিয়েল ইঞ্জিনিয়ারশিংনা ইকজিক্যুটিভশিং অমসুং হায় প্রোফাইলশিংদা টার্গেট তৌই লোয়ননা ইন্টর্নেটতা য়াম্না লায়না এক্সেস তৌবা য়াবা মপুং ফাবা ইনফোর্মেসনশিং অদুদা টার্গেট তৌই।

**টিপশিং**

. ফোন্দা কৈদৌঙৈদসু শকখঙদবশিংদা ফাইনান্সিয়েল ইনফোর্মেসন পীগনু অমসুং নহাক্লা ৱারী শানরিবা অদু পীদ্রিঙৈগী মমাংদা মরী লৈনাব কম্পেনী নৎত্রগা বেঙ্ক অদু ক্রোস চেক তৌগদবনি।

. করিগুম্বা নহাক্লা ফিশিং ই–মেল মেসেজ অমা ফংলে হায়না খল্লবদি মদুদা পাউখুম পীরুগনু অমসুং মশক খঙদবা য়ুজর অদুদগী ফংলিবা লিঙ্ক অদুদা ফাওবা ক্লিক তৌরুগনু।

. মপু য়াওদনা থম্নম্বা দিভাইসশিং নৎত্রগা সাইদৱাঙ্ক, ইলিভেটর, পার্কিং লোট অসিনচিংবা দিভাইসশিংদা এক্সেস তৌনিংবা পোক্লুগনু।

. ফত্ত – হাউদি হুন্দোকফমদা কৈদৌঙৈসু কনফিদেন্সিয়েল ওইবা চে–চাং অমত্তা পৈশিনগনু, চে – চাংশিং অদু পৈশিন্দ্রিঙৈগী মমাংদা চে – চাং মরক অদুদা মরু ওইবা ইনফোর্মেসন অমত্তা য়াওদ্রে হায়বা শেংনা খঙদোক্কদবনি।

. চেকশিনগদবদি শকখঙদবশিংদগী ফংবা ই–মেলশিং থাজরুগনু অমসুং কৈদৌঙৈদসু ফাইনান্সিয়েল ইনফোর্মেসন অমত্তা পীরুগনু।

. য়াম্না চেকশিল্লু মরমদি শকখঙদবশিং অদুনা মীনম্বা ফিভমশিং শেমগৎ–শাগত্তুনা নঙবু অপঙবা শীননবা হোৎনরক্কনি লোয়ননা কনফিদেন্সিয়েল ইনফোর্মেসন খোমজিন্নবা নঙবু থাজহল্লক্কনি।

. নঙগী ওর্গনাইজেসন অদুগী ষ্ট্রকচর নৎত্রগা নেটৱার্কশিংগী য়াওনা অতৈ ইনফোর্মেসনশিং অমদি নশাগী ইনফোর্মেসনশিং অদু ফংগদৌরিবা মীশক অদুগী ওথোরিটি অদু তশেংনা মশক খঙদোক্ত্রিঙৈগী মমাংদা পীথোক্লুগনু।

. ই– মেলদা পার্সোনেল নৎত্রগা ফাইনান্সিয়েল ইনফোর্মেসন উখোক্কনু অমসুং ইনফোর্মেসন অসিগীদমক ই– মেলদা থেল্লকপশিংদা পাউখুম পীরুগনু।

. ৱেবসাইট অদুগী সেক্যুরিটি চেক তৌদ্রিঙৈগী মমাংদা ইন্টর্নেটতা সেন্সিটিভ ইনফোর্মেসন থারুগনু। ৱেবসাইট অদুগী ইউ আর এল অদুদা পূক্নিং চংউ। মেলিসিয়স ওইবা ৱেবসাইটশিংনা লেজিটিমেট ওইবা ৱেবসাইটকী মশক খঙদোকখিবা য়াই অদুবু ইউ আর এল না মখল মখা তোঙানবা বনান নৎত্রগা তোঙান তোঙানবা দোমেন (খুদম ওইনা com vs. net) শীজিন্নবা য়াই।

. এন্টি ভাইরস সোফৱেয়রশিং, ফায়রৱালশিং অমসুং ই–মেল ফিল্টরশিং হাপচিন্দুনা নিংথিনা মেন্টেন তৌ মদুনা মসিগুম্বা মখল খরগী ট্রাফিক হন্থহনগনি।

. নহাক্কী ই– মেল ক্লাইন্ট অমসুং ৱেব ব্রাউজরনা পীরকপা এন্টি–ফিশিং ফিচরশিংগী খুদোংচাবা লৌ।

*(কর্টিসিঃ সি ডি এ সি)*

# পোষ্ট–মোর্টেম ইকজামিনেসন

পোষ্ট–মোর্টেম (পোষ্ট–মতুং, মোর্টেম–শিরবা) ইমজামিনেসন হায়রগা ঐখোয়না অশিবা হকচাংবু মখল–মখা কয়াগী চাংয়েং তৌদুনা য়েংববু খঙনৈ। মসিগী পেথোলোজিকেল (Pathological) পোষ্ট–মোর্টেম ইকজামিনেসন অমসুং মেডিকোলিগল (Medicolegal) পোষ্ট–মোর্টেম ইকজামিনেসন হায়দুনা মখল অনী লৈ। পেথোলজিকেল পোষ্ট–মোর্টেম ইকজামিনেসন ঃ

চপ–চাবা লাইওং খঙদবা লায়নানা মরম ওইদুনা শিরবদা, লায়না অদুগী চপ–চাবা মওং খঙনবগীদমক্তা তৌনরিবা চাংয়েং মখলনি। মসিদি পেথোলজিষ্ট (লায়না–লাইওংগী মরমদা খঙ হৈরবা মীওই) অমনা নৎত্রগা পেথোলজি (Pathology) লায়নাশিংগী মরমদা নৈনবা বিজ্ঞান) গী জ্ঞান নিংথিনা লৈরবা ডাক্তর অমনা তৌগদবনি।

কনাগুম্বা মীওই অমা করিগুম্বা লায়না অমনা মরম ওইদুনা শিরবদা, মীদুবু শিহল্লিবা লায়না অদু করি–করম্বনমো হায়বদু শিজিন্নদুনা খঙদোকপনা লৈহৌরিবা ইমুং–মনুংগী মীওইশিংগীতা নত্তনা লৈবাক পুম্বগী ওইনা অদুগুম্বা লায়না মখল অদুবু ঙাকথোক্লবা হোৎনবা অমদি লায়েংবদা অচৌবা মতেং ওই। অসিগুম্বা মখলগী পোষ্ট–মোর্টেম ইকজামিনেসন অসিদি লৈখিদ্রবা মীওইগী ইমুং–মনুংগী অয়াবা য়াওদনা তৌবা য়াদে। পোষ্ট–মোর্টেম ইকজামিনেসন তৌবা মতমদা অশিবা হকচাংদুগী মপাম্থোঙগী ওইবা ফিভম য়েংবতা নত্তনা কোক, থবাক অমদি পুক্লচিংবা হকচাংগী কয়াৎশিং হাংদোক্তুনা, হকচাং মনুংগী শরুকশিংসু য়েংই। মরম অদুনা ইমুং–মনুংগী অমদি নক্লবা মরী মতাশিংগী পুক্লিংদা অয়াম্বনা য়ানিংদবা ফাওনৈ। অদুবু মীওই অমা মওং খঙদবা লায়না–লাইওং অমনা মরম ওইদুনা শিবা তারবদি পোষ্ট–মোর্টেম ইকজামিনেসন তৌরগা চপ–চাবা লায়নাদুগী মওং খঙদোকপা হায়বসি লৈবাক্কী ওইবা হকশেল বিজ্ঞানগী লমদা চাওরবা মতেং অমনি। মরম অদুনা পোষ্ট–মোর্টেম ইকজামিনেসন মখল অসি পাংথোক্লবগীদমক্তা, শিরিবা মীওইদুগী ইমুং–মনুংগী মীওইশিংনা হেন্না থৱাই য়াওবিফম থোকই। পেথোলজিকেল পোষ্ট–মোর্টেম ইকজামিনেসন তৌনবগীদমক্তা পুলিস নৎত্রগা ম্যেজিষ্ট্রেটকী মথৌ তাদে। মসিদি শিরিবা মীওইদুগী ইমুং–মনুং অমদি ডোক্তরশিংগী মরক্তা য়ানরগা তৌগদবনি।

**মেডিকোলিগল পোষ্ট–মোর্টেম ইকজামিনেসন ঃ**

অনীশুবা মখল অসিনা, ইখঙ–খঙহৌদনা, ইথা–থাজদনা চিংননিঙাই ওইবা মওংদা শিবা অমদি লায়না নাদুনা শিবা নত্তবা খুৎশি–তাদুনা–তুদুনা শিবা, ঈশিংদা তাদুনা শিবা, হু চাদুনা শিবা, গাড়ীনা তক্তুনা শিবা, ফুন–চৈনবা অমদি হাৎন–শুনবদা শিবা, শকখঙদবা অমা শিদুনা লৈরম্বনচিংবা কয়াশিং অসিদা, মীদু কমদৌনা কন্দায়দা করম্না করম্বা মতমদা শিবনো হায়বনচিংবশিং খঙদোক্লবা পাঙথোক্লে। অশিবা হকচাংদা অশোক–অপন য়াওরক্লগনা মদু করিনা শোকপনো, করম্না শোকপনো, করম্বা মতমদা শোকহনবনো হায়বনচিংবা খুদিংমক খঙনবা চাংয়েং কয়া তৌই। মীনা হাৎলম্বা ওইরগনা করম্বা মীওইনা হাৎলম্বনো? শিরল্লিবদু মশক খঙদবা ওইরগনা মীশক্তু কনানো নৎত্রগা করম্বা মীওই ওইরম্বা য়াই হায়বনচিংবশিং খুদিংমক চাংয়েং কয়াগী মতেংনা কুপ্না থিজিন্দুনা খঙদোক্লবা হোৎনৈ। অসিগুম্বা মখলগী পোষ্ট–মোর্টেম ইকজামিনেসন অসিদি মেডেকোলিগেলিষ্ট (Medicolegalist) মহৌশানা ওইজরক্লবা মীওইবগী মওং–মতৌ, ফিভমনচিংবা কয়াগী মরমগা মরী লৈনবা হকশেল বিজ্ঞান অমদি ৱাংউলোল -Philosophy- গী মরমদা খঙ হৈরবা মীওই অমা নৎত্রগা মেডিকোলিগলগী জ্ঞান নিংথিনা লৈরবা ডোক্তরশিংনা পাঙথোক্কদবনি।

**ডা.এ. মোমোনচান্দ**